ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, দিসেম্বর ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৫৪শুবা মশীং

# ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পীপল

## মরুপ্না য়েক্নবা ওল্লক্লবা

‘ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পীপল’ অমসুং ‘ফ্রেন্দস ওফ দি নোর্থ-ইষ্ট’ হায়বা ৱাহৈ পরেংশিংসি লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা দিপ্লোই তৌরিবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অমসুং আর্মিনা হায়দুনা লাকপা ৱাহৈ পরেংশিংনি। নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংদা দিপ্লোই তৌরিবশিংগী মরক্তগীনা ৱাহৈ পরেংসি অসাম রাইফলসনসু অমুক্কা হেন্না তোয়না শীজিন্নে। মখোয়না লৈরু-লৈরুবা মরু ওইনা চীংগী মফমশিংদা মখোয় খক্তনা নৎত্রগা বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও) অমসুং ভিলেজ হেদ মেন/চীফ অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকই। ইশম-শম্বদা নোর্থ-ইষ্টকী চীংগী মীয়াম মরু ওইনা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা খুঞ্জাশিংবু হীরম খুদিংমক্তা মতেং পাংদুনা লাকই। হায়রিবা থবকশিং অসি মখোয়না পাঙথোকপা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনশিং অমসুং লো-এন্দ-ওর্দর মেন্টিনেন্সতা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংবু মতেং পাংবগী মথক্তনি। লৈবাকসিগী আর্মদ ফোর্স অমা ওইবগী তৌফম থোকপা থবক থৌরমনি। অদুবু লৈবাকসিগী মীয়াম মরু ওইনা নোর্থ-ইষ্টকী মীয়ামগী প্রোটেক্টর ওইরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়গী মরুম থুপ্তুনা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা মখোয়গী নোংমৈ মতোন ওনশিল্লক্তুনা মীশি-মীনা থোকহল্লকপা হায়বসিদি হিংচা য়াইতম্বগী থৌওংনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা? অসিগুম্বা থৌদোকপু ঙসিগী মীরোলসিদা থোরকফম থোকপ্রা? মসিগী থৌদাংনা কনানা পুগদৌরি? ৱাহংশিংসি দিসেম্বর ৪, ২০২১গী নুমিদাংৱাইরমদা মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুদগী হংদবা য়ারক্তবনি। মরমদি নুংতিগী খূৎশুমলনা হিংনবগী পান্থে ওইজবা মীচম নহা নুপাশিং মখোয়গী থবক শুফমদগী গাড়ী তোংদুনা পুল্লপ হঞ্জরকপগী লম্বীদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাত্তোকপীখিবনি। অদুগা থৌদোক্তু মখোয়বু লান্না মশক লাকশিল্লুরে হায়রকপনি।

থৌদোক্তুগী মতাংদা মোন দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনন থৌদোক্তুগী মতাংদা ফোর্মেল কমপ্লেন্ট/রিপোর্ট তৌরকপা ঙাইদনা শুও-মোটুদা রেগ্যুলর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। থবকসিনা পুলিসকী মায়কৈদগী থৌদোক্তুগী মতুংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলকপনি। থবকসিনা লৈখিদ্রবা মীচম মীয়ামদু অমুক হিঙ্গৎলক্কদবদি নত্তে। অদুবু অদুগুম্বা থৌদোক্তু মখা তানা থোরকহন্দনবগী লৌখৎলকপা থবক্তদি অচৌবা মতেং ওইগনি। অদুগা পুলিসকী মায়কৈদগী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলক্লিবা কেসসিদা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অনীখক ময়েক শেংনা পল্লি। মদুদি থৌদোক্তু লান্মীগী মায়কৈদগী অতম্ননা, তৌগে হায়বা য়াওনা চত্থখিবা থৌওংনি হায়বসিগা লান্মীগী মায়কৈদগী মফমদুদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চত্থগদবা, চত্থদবা য়াদবা ওইরবসু লোকল পুলিসকী গাইদ লৌফম থোকপদা লৌহৌদে হায়বসিনি। মরম অনীসিনা লমজিং ওইরগা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকপদা শোয়বদগী থোকখিবনি হায়বা ৱাফমসি চুঙ্গোই ওইদুনা মীচম হাৎলুবা লান্মীশিংদু মশা কঞ্জবা ঙমগদৌরিব্রা? অদুগা হৌজিক থৌদোক্তুগী মতাংদা কন্দেম তৌনরক্তবা য়াওশিল্লক্ত্রে। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর, গভর্ণরদগী হেন্দোরক্তুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকখ্রে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরসু কন্দেম তৌবদা য়াওখি। কন্দেমনেসন ময়ামসিগা ইরোয়ননা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে। লান্মীগী গাড়ীশিং অমসুং কেম্পশিং মৈ থাখ্রে। খোইশাওনরবা মীয়ামগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগগী মরক্তসু খূৎ থোক্নরক্তুনা পর্সনেল অমসু শিখ্রে। অশোক-অপনগী মশীংসু অমুক হেঙ্গৎহল্লে। পূম্নমকসি করি কান্নে? কনাগী তোংজবনো? কনাগী মাঙজবনো? থৌদোকসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী মায়োক্তা লেপ্লকপা মীওইশিংবু লাকশিন্দুনা নমথনবনি হায়দুনা চহী কয়া লিশাং শিৎনা চৎনহল্লক্লিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ (অফস্পা) গী মরুমদা লান্মীনা চত্থরকপা কা হেনবা থবকশিং মখা শমথরকপনি হায়দুনা লৌবদা লানগদ্রা? থৌদোকসি অফস্পানা য়োমশিল্লিবা মণিপুরগী মফম অমদসু হেক্তা থোকপা য়ারিবা থৌদোকনি। থৌওংসিদদি লৈবাকসিগী মীয়াম্না অমসুং লান্মীশিংনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্থু করি ওইনা য়েংবনো হায়বদুগী পাউখুম চোঙথোরকপগুম তৌই। লৈবাকসিনা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইনা চৎনগদবশিং শেমদুনা লৈরবসু ঙাক্না চৎতে হায়বদু উৎথোরকপগুম্না তৌই। কনবীগদবনা মীহাৎপা ওইহল্লকপা চুম্লোই। মতুংদা থোকহনগনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***“শীঙেন নাচোম”*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“তমথীবা নোংলৈ”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***“পোইরৈ নাৎকী ৱারেং”*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***“কেকু লোৎপী’*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫৫

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙদা লীলা শান্নরগা দখিনা পীবগী মতাংদা ইজখিবা লৈখ্রে। চিথ্থহৌবা অমা/অনীদগা তমজগে, মচিৎ-মচিৎতি ওইরে ময়াম ৱারৌবীবা য়াদে। নীংশিংলগা ইবনিনা হেক হেক চিথ্থহৌবসু য়াওই। ইরবনিনা চিথ্থহৌবদু নুংঙাইতদুনা ইজবনি, ৱারৌবীনু। লীলাগী দখিনাগী মতাংসি অচৌবা ৱাথোক য়াম্না থোকখিবা ঐখোয় থেংনরে। তশেংবদি লীলা হৌদ্রিঙৈদা দখিনা লৌবসি, ঐখোয়না হৌদোকপনি। মসি মমাঙঙৈদা অমত্তা তৌরমদবনি। তৌদবা য়াদবদগী তৌরকপনি। মসি নমদুনা ময়াম্না তৌহনখিবনি। মী খুদিংমক্কী ৱাখল্লোন মান্নৌ হায়বদি লৈতবনিনা, কনাগুম্বা খরনা পুকচেল চাওরবসু কনাগুম্বা খরদি য়াম্না পিকই। অদুনা ঐখোয়সি হেক হেক লাকথুবীদুনা ৱা হায়বদগী হেন্দোক্তুনা য়াম্না উশিৎ থওইদবসু য়াওদবা নত্তে। নোংমা ইম্ফাল ময়োল মনুংগী মফম অমদনি। য়াওশঙগী অঙাংশিংনা শেল খায়বদা ফংলকপা শেল খরদা, য়ূমগী মমা মপাশিংনা হাপ্পীরগা লীলা অমা কৌবনি। অঙাং হায়সি য়াম্না পিক্লিবা ঙাক্তনি, চাওরাক্না চহী ১০ মুক্কী লেঙ্গা ঙাক্তনি, মখোয় মরি/মঙানা মরী-মতাদগী খায়জবা শেলনি। মতমদুদা শেলসু য়াম্না লৌনদবনিনা, ইঞ্চোলনুং খরা চাউবদুদদি য়ূমথোঙগী ওইনা য়ূম মরি/মঙা চাক চানরগা, ঐখোয়গী লীলাসি কৌবনি। নুংথিল শান্নবনি কাউদ্রি। ফর্ষ্ট শো ওইনা পুং ৩দা হৌবনি। লীলাদু শান্নরে, লোইরে, দখিনা তৌবগী মতাংসিদা খরনা তনবা হায়বনি। হায়রিদু তানীংবা য়াবা ওইবদগী খিত্তং হাপ্পীয়ু হায়না হায়রুবনি। তৌবৈদি খিত্তংদা ওইরসু হাপ্পীরদি ঐখোয়দি তোংজবনিনা, হায়ফম থোকপদু হায়রুবদুদা, নুপা অমনা ওফিসর মচা অমসু ওইবনি, মশক মুন্না খঙই। মানা থোক শাওগত্তনা, “য়ারে কয়ানো, ঐ পীগে” হায়রগা মাগী ফুরিৎখাওদগী চেবাউদা ইবা লুপা ৫০০দু, চুম্নগা পাবা নত্তে, থোক লাউনা লংশিল্লকপনি। খূৎপীদু ফজদবদুদা, ঐনা কৈনোনে, ঐখোয়সু খিত্তা হাপ্পীয়ু হায়জবনি। তাবু তারসু তাবু তাদ্রসু সুমাইনা মীঙোন্দা লাক্তনা লংশিল্লগা পীবসিদি ফজদেদা হায়দুনা থৱায় কৌবনিনা শাওনীংদনা থোক হায়রুবদুদা, হেক্তা অফিং কাশিল্লক্তনা নুপাদুনা, “কৈনো নঙনা হায়রিদু, নোই করি ওইরি” গাইনা থোক ওনশিল্লগা ফূগে তৌরকপগী ৱানিসে। মোইগী ইমুংগী মীশিংদুনা খামনৈ। “ইহ সিদি জাৎ অমনিনে” হায়রগা ঐখোয় অদুম লাকখি। য়েংবীয়ু, মীগী পুকচেল মতাসি অমুক্তা য়েংবীয়ু।

অদুবু মফম অয়াম্বদদি য়ামগেরা য়াম্মোইরা য়ানরিবা শেলদু পুখম অমদা নৎত্রগা লুকমাই মচা অমদা হাপ্পগা, খুরুমদুনা “ওজাশিং লীলাসু য়াম্না নুংঙাইজরে, পেঞ্জরে, ঐখোয়না কৌবা লীলাসি মীনসু য়াম্না নুংঙাই হায়বীরম্মে, অদো ৱারৌবীবদি য়াদ্রে, ঙমজবা খরদং কৎচবনি, য়াম্মী য়ামদে হায়বা থিবীনু, পীজরিবা খরসিনা পেনবীয়ু” গাইনা খুরুম্মগা কৎলকপা য়াওরিবনি। অদুদদি ঐখোয় করি হায়দৌরি, অপিবা খরদুদগী চৎনবী অমাওইনা লুপা অমত্তা ওইরসু, “সে সিমা হঞ্জরমগে শেন্নীং ওইনবা, মথং ওল্লকপদসু ঐখোয়বু হেক হেক নীংশিংবীরকউ, ময়ামগী থৌগল তৌজগেকো” হায়রগা হল্লম্মী। সিদি কয়াদা ফজরবনো? সি মতাংসিদদি কৈসু ঐখোয় হায়নীংঙাই লৈত্রে। অপিবা খরদু হরাও হরাও পুরগা লাকপদু ময়ামসু পেন্নদবা অমত্তা লৈনদে। পূক্লিং লূমজৈ। মসি নত্তবা অতৈ মখল কয়া অমসু লৈরি। খরা অমনা চাক চানবগী লীলা কৌবগী দখিনা তৌবসিনি য়াম্না নুংঙাইরিসে। চাক চানবগীনিনা, মীসি য়াম্না চঙলকই, দখিনা তৌবদা, অমনা অমা হায়নি, অমনা অমা হায়নি, মোই মশেলসু অমত্তা মান্নরোই। খরা অমনা অদুম পীখো হায়নি, খরা অমনা তাহন্নবা ঙাঙননি। খরা অমনা তাহনগদবনি কৈনো, মোইসিবু বি এ টি এরো, বি এ টি এগী খোঙউপ লৈবগী টাইপতা লীলাগী মমল লৌ য়াবরো? মসিদা ঐখোয়না খল্লমগদবা ময়ামসু অমুক্তা খল্লগা য়েংবীয়ু। খোন্দা ময়ামদুদা ফনা য়াম্না তানীংবা লৈরসু তানীংদ্রে। মখোয় অমা অনী চঙলল্লগা, হায়নরসু ফবদুদা য়ৌ য়া য়ৌ য়া তৌরগা হেক্তা মৈ হৌনৈ। ঐখোয়সু নহানিনা করিগুম্বদা সুম ফাথদুনা লাক্লসু হেক হেক শাওনীংবা মতাংসু য়াওরকইদনা। অদুনা ফরক অমুক অমুক তাগে তৌবা য়াওই। লৈশাবীশিংনা কৌবা কাংগীবু ওইরো, য়াওশঙগীবু ওইরো, মসিসু নুংঙাইবা মথেল অমনি। পুখম অমদা শেলদু হাপ্পনি। অদুগা নোকখি নোকখি, ঐখোয়গী মাঙদা ৱাগকা অমত্তা হায়দনা থম্মগা থোক খুরুমদুইনি। কয়ানোগা হায়বীবা জাৎ নত্তে। নোইগীসিবু কয়ানোনে হায়না হংলকান্দুদা, অমত্তা খুম্মোই, খুনীংনা থিন্নরগা নঙ হায়য়ু, নঙ হায়য়ু হায়না ইন্নদুইনি। ঐখোয়না হায়য়ুনে হায়য়ুনে হায়রকান্দুদা অমনা খুম্মক্কনি। মশীংদু পল্লগা অদুনি হায়রগা, অদুগা লাও চৎসি হায়রগা গুরুং লাওনা মখোয় ময়ামদু চেম্থোকখিবগা য়াওরিবনি। য়াম্না য়ামদনা পীরিবদুদা ঐখোয়না ঙাইখোনে খরা হাপখোনে, সিদি তামল্লে হায়বদা, মোই ময়ামদুনা “ঙম্মরোই, ঙম্মরোই লৈত্রে, মথং চহীদা ওইনা হাপকে’ সিদি য়ারোইনে হায়বদুদা অমনা থোক খুম্মকই ‘অদু ওইরগা ঐখোয়গী মরক্তগী অপাম্বা অমা খল্লগা পুজরো, শেলদি লৈত্রে” হায়রগা ৱা ৱা নোকই। সিদবু ঐখোয়না হায়দুইসি করিনো, ঐখোয়সু নোকসু নোকই। অদুগা ঐনা ফাগি ওইনা খুম্মম্মীবনি “ফরে ফরে, অপাম্বা অমা খল্লগে য়ারবো? মোই ময়ামনা “য়ারে য়ারে” হায়রকই। অদুদদি ঐসু হায়বা ঙমদ্রেদনা। নোক্লগা অদুম থোরক্লে। মোইনা অমুক তকশিল্লকইবনি, “য়ারোই, অপাম্বা অমা হায়রমদবা য়ারোই” ঐনা ফাগি ওইনা ‘নঙ ওইনা খল্লগে অদুদি” হায়রুবদা ময়ামদুনা ৱা… লাউনা নোক্লগা সে সে পুজখ্রো হায়না ইন্থোরক্লিবনি। কয়া নুংঙাইখ্রবা ফাগিগী মথেল অমনো?

কুম অমদি য়াওশঙগী লীলা শান্নবদা থর্দ শো ওইনা কৌরম্বা লীলাদু ঐখোয়সু খরা থেংনা য়ৌরে। লীলাদুসু অনৌবনি। ফোঙলদবা লীলানি। করম থোক্লগদবনো হায়না ঐখোয় য়াম্না নুংশা থীনা লাকপনি। অদুগদি লীলা পার্টি থেংনা লাকই হায়দুনা শাওনরগা লৈরম্মে। তৌবগীদি থেংজিল্লকপদুদা য়েংগদবা মীশিংসু অয়াম্বা হন্নখিবা তাঞ্জা ওইরম্মী। নুপা খরনা অফাও শাদনা ‘কনানা কৌবা লীলানো, পুং কয়াদা হায়নৈ? দখিনা পীবা য়ারোই” গাইনা মুক্তুনা লৈনরম্বা তাঞ্জাদা ঐখোয় থুংজিল্লুরে। ময়াম্না শাওনরিবদু থেমজিল্লি, ৱারৌবীনু ঐখোয় মথং মথং শান্নরকপদা খজিক খজিক থেংখিবদগী খরা থেংদোকখ্রে, হৌজরগে হায়রগা থুনা হৌই। লীলাদু ইপা পাখৎনা শান্নবনে, অনৌবা অফোঙবগা ওইরে। লোনসু কয়া ফানদবা ওইবনা লীলাসি ফজনা নুংঙাইত্রে। মীনা হায়দ্রসু ঐখোয়না খঙই। লীলাসি নুংঙাইতে হায়বা। কমাইনসু নুংঙাইনি। লীলাদি নোংমদা অহুমদগী তাদনা চৎলে, তম্নবা মতমসু ফংদে। লোল কাবক কাবক ফানরগা হেক্তা চেবাউ লৌশিনবনি। অদুগীসু মথক্তা শুমাং লীলা হায়সিদি, য়ামদ্রবদা লীলাদু ২০ লক্কুম্বগা শান্নরগা অশোয় অশোয়বদু শেমদোক শাদোক্লগা সুম ফজরকপনি। হোই অহানবা শান্নবদা চেকশিন্না তম্লগদি অদুম ফজবা য়াওই। ঐখোয়গীদি রিহার্সেল তৌনবা মতম লৈতবদগী কয়া তৌহৌদবনা লীলাদু নুংঙাইতবনি। ঐখোয়নবু হায়জৈ, লীলাসি অনৌবনি, অরিবা ওইনা শান্নজৌরা হায়বদা, অনৌবদু ওইনা শান্নবীয়ু হায়বদগী শান্নবনি। লীলাদুনা নুংঙাইত্রে, থেংনগা লাক্লে, মীগা ইপুন পুল্লমদ্রে, লোইরগা দখিনা পীবদু মওং তাদ্রে, হায়নবা মমলদগী তঙ্খাই অমা চপ চানা তারগা পুথোরকপনি। অদুগা থীনসু হায়রকপনি “লীলানিগাইনা অসুক নুংঙাইতবা, শেলসি লৌরো, হয়েং ঐখোয় নুংঙাইবা লীলা অমা অমুক কৌগনি” হায়রগা থোক পীশিল্লম্মগা থোকখিবনি। ফি শেৎফমদুদা ঐখোয়সি উংলগা লৈ। লৌররোইসি হায়নরে। ফজনা হায়রসু য়াবদুদা থীনা হায়রম্বদুদা, “ফরে ফরে, লীলাসু নুংঙাইত্রবনিনা ঐখোয় পাঙথোকচরম্মগে, শেলসি লৌজররোই হায়রগা থনম্মে। নুপা অমা অনীদি, “ফরে অদুনা ফরে” হায়রগা য়াম্না করেম্নরকপদুদা শাওনীংবদগী খরা খুম্নরে, ঙাঙনরে। ঙাঙনরিদুদি তমজররোই। ঐখোয়সু শাওবনিনা লম পল্লগা হায়রে। অদুদদি হেক্তা শাওনদনা অমুক্তোইবা কুম্মৈ তারে। লৈকায়গী মী চঙশিল্লক্লগা খামনৈ। লৈকায়গী মীনা মখোয়বু চৈহৌই। নয়ূমদা লাকপা মীদবু অদুম্মাইনা হায়বা হৌনদে হায়না য়াম্না ঙাঙহৌই। ঐখোয়দি অদুম হল্লক্লে। নোংঙাল্লগা লৈকায়গী ক্লবকী মী খরা লাক্লগা লীলাগী শেলদু ওফিসতা ওইনা পীরৈ। ঐখোয়না লৌররোই হায়না হায়বদা ক্লবকী মীশিংদুনা “অদুম্মাইনা তৌবীনু, ঐখোয় লৈকায়গী ওইনা য়াম্না নুংঙাইজদে। ঐখোয়নসু য়াম্না ঙাঙলম্লবনি। মতুংদা ঐখোয় লৈকায়দা লীলা কৌরকপদা শোয়দনা য়াবীয়ু। ৱারৌবীনু হায়না ঐখোয়বু থেমজিল্লগা শেলদু পীরমখি। সিগুম্বা কয়াসি য়াম্না তোয়না থেংনৈ। সিদা নত্তে য়াম্না লৈরি। লীলা কৌরগা অকৌবা মী মাঙখিদুনা, কোয়থি থিনবদা

ফংদবদগী দখিনা পীবীনবা মী লৈতদুনা খোইদৌ শাওগৎখিবা কয়া লৈখি, অহিং অথেংবদুদা লেকফম চাফমসু লৈতবা মদুদা তৌফম খঙদদুনা লীলা শান্নবগী থাল্লম্বা মৈ পেত্রোমেক্সতু ওইনা পুরসি হায়না লৌথরুবদা থাওমৈ মপুদুনা থোরক্লগা সিদি ঐগা থাওমৈনি, মখোয়না লীলাগী ৱায়বনি পুখিবা য়ারোই হায়না থিংলখি। অদু ওইরবদি লীলা ৱাইরিবা মীশিংদু কনা কনানো হায়রসু মমিং হায়রগা ঐখোয়না খঙদবা মদুগী মরৈ য়েৎনদুনা খৎনবনা কোঙ্গাইনি, মথেল মথেল হায়দুনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৯১

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ৩০, ২০১০ ইং :-** ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফয়েংদা মমা মচা তমথীনা হাৎলম্বগী থৌদোক ফোং ফোং শারিঙৈ চৈরক অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী লংথবাল ফুরামখোং অমসুং হিয়াংথাং অনীগী মরক্তা লৈবা লৌকোন অমদা চহী ২৬ লোম শুরবী লৈশাবী অমা শিনা ফংলে।

রেপ কেসকী চিংননিংঙাই ওইবা থৌওং অমগা লোয়ননা তমথীনা হাৎলম্বা লৈশাবী অদুগী হকচাং ঙসি য়াচংলকপদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লংথবাল ফুরা মখোঙ অমসুং হিয়াংথাং লোন্নবদা লৈবা পোইলা লৌকোন্দা ফংখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই চিঙাংবম লৈকায়দগী রাজকুমারী রতনমালা এলিয়জ ইথোই (২৬) অপোকপা রুহিনিকুমার অতোপ্পা মমিং ভুবোনস্না ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা ময়ূমদগী থোকখ্রগা ঙসি নুমিদাং শিনা ফংখিবনি।

‘ঐখোয়দি মহাক চেনখ্রবোই খন্দুনা অয়ূক অথেংবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈরুরে অদুবু হল্লকমন্দবদগী মথং মথং খোঙ্গুল লীরুবদা তমথীনা হাৎতোকপীরল্লে’ হায়না লৈখিদ্রবীগী অপোকপী ঙাংবীনা থম্মোয় শোক্না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ূক অথেংবা ফাওবা হল্লক্তবদগী মথং মথং হংনবদা নিঙোম্বমদগী নুপা অমগদি খঙনৈ হায়বগী পাউ ফংবদগী লৈখিদ্রবীগী অপোকপী অমদি মনম্মা য়াওনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নিঙোম্বমদা চৎতুনা থিখি।

নুপা অদু ধনবীর কৌই, পোইলা লৌকোন্দা ঙাগী ফার্ম তৌই হায়দুনা লাকপদা লৈশাবী অমা শিরগা তারে হায়না য়েংলুবদা রতনমালা ওইরম্বনি হায়না ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবীগী মঙকশমদা লাকহৎখিবগী ফীভম লৈরম্বগী মথক্তা ওইথংবা লৱাই লেম্ফু অমসুং মচিনাবন্দা অরূম্বা পোৎনা থোম্বগী মফম তারম্মী হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনন অশিবা হকচাং লৌখৎলগা রিমস মোর্গতা থমখিবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা নিঙোম্বম ময়ায় লৈকায়দগী সোইবম ধনবির (৩৬) অপোকপা এল তোম্বা পুলিসতা চঙজরক্লে হায়রি।

**জন্যুৱারী ৩০, ২০১০ ইং :-** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী চেন্নাইদা লেম্না লাইরিক তমহনগনি হায়বনচিংবশিং অহলশিংদা থাজবা পীরগা পুখিবা অঙাং ১৭ লোম চেন্নাইদা ইকুই কুইদনা রেস্ক্যু তৌখ্রবা মতুং চৈরকসিদা টামিল নাদুদা এমব্রোইদরি তৌহনগনি অমদি শেল পীগনি হায়দুনা থাজবা পীরগা অঙাং পুনবা হোৎনরম্বা মীওই মরি ফাবগা লোয়ননা অঙাং অমা কনবা ঙমহৌরে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা চাইল্ড লাইন, নার্কোটিক্কী ও সী, চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি, সোসল ৱেলফ্যের অমদি মণিপুর পুলিসকী অপূনবা কাঙবু অমনা টামিল নাদু তম্না অঙাং পুনবা হোৎনরম্বা মীওই মরি ইম্ফাল ইষ্টকী গোলাপতিদগী ফাগৎখিবনি।

অঙাং পুনবা হোৎনরম্বা মীওই মরি অদুদি থাংজম ওংবী পুর্নিমা (৩৫), নম্বোল খাবী, এলিসা (৪০) সেনাপতি বজার, লৈশাংথেম সনারৈ (৪৩) কৌত্রুক অমদি খুরাইজম তরুনি (৩০) ৱাঙু শাবল লৈকায়দগীনি। মখোয় মরিগী মনুংদা পুর্নিমা হায়রিবা নুপী অসিনা অঙাং পুবগী থবক অসিদা খ্বাইদগী চেন্নবা মীওইনি। মমাঙদা পুর্নিমানা অঙাং ১১ রোম টামিল নাদুদা পুখিবগী থৌদোক লৈখ্রে হায়রি।

মমাঙদা পুশিনখিবা অঙাংশিং অদু বিষ্ণুপুরদগী মরি অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মরু ওইনা ৱাঙু অমদি ককচীংগী মফমশিংদগীনি।

**জন্যুৱারী ৩০, ২০১০ ইং :-** খূৎলায় পুরগা চেনখিবা আই আর বি পর্সনেল ঙসি অয়ূক অঙনবদা কৈরাও বিত্রদা পুলিস কম্মান্দোগা নোংমৈ কাপ্নবা থৌদোক্ত শিরে। পুলিসকী পাউনা হায়, ইম্ফালগী বাবুপড়াদগী ঙরাং অয়ূক ইন্সাস এল এম জি অমা, মেগজিন ৬ অমসুং মদুদা য়াওবা মরূশিংগা লোয়ননা চেনখিবা ৬শুবা আই আর বিগী পর্সনেল কৈরাও মখা লৈকায়দগী মহম্মদ অবজন আলি (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা মজিদ আলি ঙসি অয়ূক পুং ৩ লোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈরাও বিত্র ৱাটর সপ্লাই স্কিম মনাক্তা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা হাৎখিবনি।

অকক্নবা পাউ অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা চঙশিল্লগা থি-হুম্বগী থবক চত্থরিঙৈ খূৎলায় পায়বা মশক খঙদবশিংগা কৈরাও বিত্রদা নোংমৈ কাপ্নখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা অবজন আলি সাহ হাৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না পুখিবা খূৎলায় অমদি নোংমৈ মরূশিং ফংবা ঙমখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

অবজনগী মশাদা নোংমৈ মরূগী পানফমশিং লৈবগী মথক্তা য়েৎ থংবা খুদাংদা অচৌবা খূৎলায়না লেনবগী শোকফম লৈরম্মী। য়ুনিফোর্মগী মহুত্তা ফিজম শেৎলম্মী। লৈখিদ্রবগী লোয়নবী, মচানুপা অনী অমসুং মচানুপী অনী লৈহৌরি।

মহাক ঙরাং অয়ূম পুং ১০ রোম তাবদা এম এল এ ঈ দ্বিজমনিগী টুরদা এদিসনেল এস্কোর্ট ওইনা চৎপা য়াওনবা পাঙ্গৈদগী অতোপ্পা পর্সনেল খরগা লোয়ননা এম এল এগী বাবুপড়াদা লৈবা ওফিসল ক্বার্টরসতা থুংলখিবনি। অদুগা এম এল এনা মহাক কেন্দ্রদা টুর চৎলমদাইদা ইন্সাস এল এম জি অমা অমসুং মরূ ১৮০ য়াওবা মেগজিন ৬কা লোয়ননা মাঙখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী ওফিসতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কালিকা চীংশাং অমসুং বারুনি চীংগী খা থংবা শরুক্তা খূৎলায় পায়বা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওইশিং চথোক চৎশিন তৌরে হায়বা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদগী হৌদুনা কালিকা, উরান চিরু চীং অমসুং সন্দাংশেনবা মরিংগী জগাদা কম্মান্দো টিমশিং থোমজিল্লকখি। ৱাটর সপ্লাই পোইন্ট মনাক্তা শকখঙদবা মীওই খরা চৎলে হায়বা পাউ ফংবদগী কম্মান্দো কাঙবু অমনা গাড়ী হুন্দোক্লম্লগা মফম অদোমদা খোঙনা চঙশিনখি। থাবলগী মঙালদা মীওই খরা চৎপা উখি অমসুং শকখঙদবা মীওইশিং অদুনা কম্মান্দোদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। কম্মান্দোনসু হন্দুনা কাপখি। চাউরাক্না মিনট ৩০ রোম কাপ্নখি। কাপ্নবা অদুদা মীওই অমা শিখি অদুগা অতৈনা নাম্থোক্তুনা চেনখি। অশিবা অদুদগী ফংলিবা নোংমৈ অদু ঙরাং বাবুপড়া এরিয়াদগী মাঙখিবা নোংমৈ অদুমক্লি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

**জন্যুৱারী ৩০, ২০১০ ইং :-** মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ খুদক্তা লৌথোক্কদবনি হায়বা দাবীদা চহী ৯ হেন্না শিদ্রি ফাওবা চরা হেল্লল্লবী ইরোম চনু শর্মিলাবু থাদোক্লবা এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা হায়খ্রে।

নাকল অমরোমদা, জাতিগী মপা হায়না খঙনরিবা মহাত্মা গান্ধীবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী ৬২শুবা থৌরম নুমিৎ অদু লৌরগা ঙসিদগী শর্মিলানা পোকপা নুমিৎ মার্চ ১৪ ফাওবা জষ্ট পিছ ফাউন্দেসনন অফস্পা লৌথোকউ, শর্মিলা কল্লু হায়বা দাবীদা য়ূম্ফম ওইদুনা চত্থগদবা গান্ধী টু শর্মিলা কেম্পেনসু ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জষ্ট পিছ ফাউন্দেসনগী ত্রষ্টি বাল্লু লোইতোংবম্না ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্না শর্মিলাবু থাদোকখিগদবনি হায়বা ষ্টেটমেন্ট অদু শিদ্রি ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজংগী মতাংদা এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা থাদোরকপা ইহান হানবা ষ্টেটমেন্টনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা ইরোম চনু শর্মিলানা অফস্পা লৌথোকউ হায়বা দাবীদা শিদ্রি ফাওবা চরা হেনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না ফাজিনবা অমদি ক্রিমিনেল অমগুমনা ত্রিট তৌবগী থৌওং অদু মালেমদা য়াদে হায়বসি তাক্লে। অহিংশাদা থাজবা গান্ধীজীগী ফিদম্থু লৌদুনা অফস্পা লৌথোকউ হায়বা দাবীদা শিদ্রি ফাওবা চরা হেল্লক্লিবী ইরোম চনু শর্মিলাবু ক্রিমিনেল অমগুম্না লৌদুনা লৈঙাক্না ফাজিল্লগা থম্বা হায়বসি গান্ধীজীবু মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা থৌওং অদুগা চপ মান্নে। শর্মিলাবু ফাজিন্দুনা থম্বা অসি লাল্লি হায়বগা লোয়ননা অফস্পা লৌথোক্লগা মণিপুর লৈঙাক্না শর্মিলাগী পুন্সি কল্লু হায়বা ৱাফমসু বল্লুনা ফোঙদোরক্লি।

ফাউন্দেসন অসিগী মেনেজিং ত্রষ্টিসু ওইরিবা শর্মিলাগী মবুং ইরোম সিংহজিৎনা হায়খি, শান্তি অমসুং অহিংশাগীদমক মহাত্মা গান্ধীবু মালেমনা ইকায়খুম্নরি। অদুমকপু গান্ধীগী ফিদম লৌদুনা প্রোটেষ্ট তৌজরিবী ইরোম চনু শর্মিলাগী ৱাকৎপুদি সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অনীমক্না তাবীদে। মরম অদুনা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবা ঙসিগী নুমিৎ অসিদগী শর্মিলানা পোকপা নুমিৎ মার্চ ১৪ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা ফাউন্দেসন অসিনা শীন্দুনা অফস্পা লৌথোকউ, শর্মিলা কল্লু হায়বা কেম্পেন অসি চত্থগদৌরিবনি। ●